# সুশিলা অমদি বিচু ৱিমেন্স নেসনল কেম্পকী স্কৱাদ লাউথোকপদা য়াওরে




ন্যু দেল্লী,দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী):

হন্দক্তা স্পেনদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স নেসন্স কপতা ইন্দিয়ানা ৱিন্নর ওইদুনা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱিমেন্স প্রো লীগ ২০২৩-২৪ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবগী কনফিদেন্ট ৱাংনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংগীদমক শেম শানবা ঙসি হোক্কী ইন্দিয়ানা মেম্বর ৩৩না শাবা ৱিমেন্স নেসনল কেম্পকী স্কৱাদলাউথোকপদা ষ্টেটকী শান্নরোয় সুশিলা চনু পুখ্রম্বম অমদি বিচু খারিবম য়াওরক্লে।

ইন্দিয়ন ৱিমেন হোক্কী টিমগী কেম্প অসি মথং চহীগী জন্যুৱারী ২দগী ১৩ ফাওবা বেঙ্গলোরদা চত্থুগদবনি।

মদুগী মতুং জন্যুৱারী ১৪দগী সাউথ অফ্রিকাদা অহানবা ওইনা টুর চৎকনি অমদি মথং-মথং জন্যুৱারী ২৮ ফাওবা মখা চত্থুগনি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী নেসনল কেম্পতা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গোলকিপর সভিতা, রাজানি, বিচুখারিবম অমদিবন্সারি; দিফেন্দরদা দিপ গ্রেস, গুর্জিৎ কোর, নিকি প্রধান, ইশিকা, অক্ষতা, দেকালে, উদিতা, রিট অমদি মহিমা চৌধরি; মিদফিল্ডরদা নিশা, সালিমা টেটে, সুশিলা চনু পুখ্রম্বম, জ্যোটি, নবজোট কোর, মোনিকা, মারিয়ানা কুজুর, সোনিকা, নেহা, বালজিৎ, রিনা, ভাইস্নাভি অমদি অজমিনানি।

ফোরৱার্দতা লালরেমসিয়ামি, নবনিট, বন্দনা, শর্মিলা, দিপিকা, সঙ্গিতা কুমারী, রানী অমদি ব্যুটি দুংদুংনি।

পনবা য়াবদি, ভেলেন্সিয়াদা শান্নখিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স নেসন্স কপ ২০২২গী ফাইনেলদা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স হোক্কী টিমনা স্পেনবু মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি।

# ব্রাজিলিয়ন ফুটবোল লেজেন্দ পেলে লৈখিদ্রে



সাওপোলো,দিসেম্বর৩০(এজেন্সী):

য়াম্না লায়রনা হৌরকখিবদগী অফাওবা অমা ওইরকখিবা অমদি মোদর্ন হিষ্ট্রিদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না শকখঙনবা এথলিট অমসু ওইখিবা মেজিকেল ব্রাজিলিয়ন ফুটবোল ষ্টার মীয়াম্না ‘পেলে’ হায়রগা খঙনবা এদসন অরান্টিস দো নাসিমেন্টো শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা সাও পোলো হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

মহাক চহী ৮২ শুখ্রে। মহাক্কী কোলোনদা ট্যুমর অমা থেংনবদগী হৌখিবা থা খরা অসিদা হোস্পিটাল অসিদা লায়েংদুনা লাকখিবনি।

মহাক ট্রেস কোরাসোনগী অপীকপা টাউন মিনাজ গেরিয়াজতা ১৯৪০গী ওক্টোবর ২৩দা পোকখিবনি। মহাক্না সেমী প্রোফেসনেল ওইবা খূউগী অনাবনা মরম ওইরগা তোকখিবা মহাক্কী অপোকপা মপাদগী ফুটবোল অসি তম্লকখিবনি।

পেলেনা হিংলিঙৈদা পূন্না গোল ১২৮১ চল্লমদুনা ৱর্ল্ডরেকোর্দথম্লম্বদা নৎতনা ৱর্ল্ড কপ টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় অমসুনি।

নীংশিংবা য়াবদি, অর্জেন্টিনানা ৱর্ল্ড কপ লৌরবা মতুং পেলেনা মখোয়গী টিমগা ট্রোফিথাঙ্গৎমিন্নবগী ফোটো সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখিবনি অমদি স্কৱাদ লীদর লিওনেল মেসি, ফ্রান্সকী রাইজিং ষ্টার কিলিয়ন এম্বাপ্পে অমদি য়াম্না থাজদনা সেমীফাইনেল চঙলকখিবা মোরোক্কো টিমবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লমখিবনি।

‘ঙসি, ফুটবোলনা মখা তানা মখোয়গী ৱারী লীরখিনি, লীখিগনি মতম চুপ্পদা য়াম্না নুংঙাইবা মওংদা’ হায়না পেলেনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচ য়েংলবা মতুংদা ফোঙদোক্লমখি।

ব্রাজিলগী শান্নরোয়শিংনসু কটার ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেলগী মনুংদা পেলেনা ১৯৭০ ৱর্ল্ড কপ মায় পাকখিবগী মমি য়াওবা অচৌবা বেন্নর অমা ‘পেলে’ হায়না থাদুনা পাইহনখিবনি।

# ষ্টেট এলিট বোক্সিং টিম হরয়ানাদা থুংখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

হরয়ানাগী হিসরদা লৈবা চৌধুরি চরন সিংহ এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ৩১দগী জন্যুৱারী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা এলিট মেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মীওই ১৪না শাবা ষ্টেট এলিট বোক্সিং টিম ঙসি হরয়ানাদা থুংখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এল কিষন অমদি এ ইবোমচা (কোচ) অদুগা থাংরেংখুপ কোমনা মেনেজর ওইনা শরুক য়াখি।

ষ্টেট টিম অসিগী শান্নরোয়শিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী কৈশাম সঞ্জিৎ (কেজি ৪৮) অমদি রোশন খ্বাইরাকপম (কেজি ৭৫); ইম্ফাল ৱেষ্টকী পি জেক্সন (কেজি ৫১), পি কিংসন (কেজি ৫৪), এল ইদিসন (কেজি ৫৭), ও মঙালথোই (কেজি ৭১) অমদি ঐচ নোংথোন মৈতৈ (কেজি ৮০); থৌবালগী এ নাওতোন মৈতৈ (কেজি ৬০) অমদি এন খম্বাতোন (কেজি ৬৭); বিষ্ণুপুরগী এন রোহিট (কেজি ৬৩.৫) অমদি ককচীংগী এম ইচিখুনবা (কেজি ৯২ মথক)নি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অনীশুবা তাখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

ছটিশগরগী রাইগরদা লৈবা ওপি জিন্দাল য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৭তগী হৌদুনা চত্থরকখিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বেদমিন্টন (ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱিমেন্স বেদমিন্টন টিমনা অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে।

এম য়ু ৱিমেন্স টিমদা শরুক য়াখিবী বিরমঙ্গোল কোলেজগী ঐচ ভিলিন্দানা কম্পিটিসন অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংবা ঙমখি। অতোপ্পা এম য়ু টিমদা শরুক য়াখিবী শান্নরোয়শিং অদুদি মঙ্গোলঙানবী কোলেজগী এল দাইনা, এস এস জি গর্লস কোলেজগী এম প্রিয়া অমদি বিরমঙ্গোল কোলেজগী এল শিতলনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অদামস য়ুনিভর্সিটি কোলকাটাগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীহৌদুনা অনীশুবা পোজিসন ফংহৌখিবনি।

এম য়ু টিমনা সেমীফাইনেলদা ছটিশগরগী পি টি রবিশঙ্কর সুখলা য়ুনিভর্সিটি রাইপুরবু ২-১দা মায়থীবা পীখি। এম য়ু টিম অসিগী এল রোবেলনা মেনেজর অমদি দল্লিয়ু অমুসনা মৈতৈনা কোচ ওইনা শরুক য়াখিবনি।

রাঞ্চি ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা অরুনাচল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

লাল বহাদুর শাস্ত্রি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা রাঞ্চি ট্রোফিগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৮৭.৫দা ওল আউট ওইদুনা রন ২৩৩ লৌবা ঙমখি অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৯৫.৫দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ২৫১ লৌখি।

মণিপুরনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৭৮.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ২৮৭ লৌখি অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৪২.২দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১৯৮ লৌবা ঙমখিবনি।

ষ্টেট টিমগী অহানবা ইন্নিংসতা কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বনা বোল ১৩৮দা রন ৯১ অমদি কিষননা বোল ১০৮দা রন ৫৮ লৌবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা পি প্রফুলো মণিনা আউট ওইদনা বোল ৫৫দা রন ৮৭, বি রাহমনসু আউট ওইদনা বোল ১১২দা রন ৫৫, কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বনা বোল ৭৩দা রন ৪০ লৌবা ঙমখি।

ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল

# বি পি ৱাই সী, সঙ্গাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস (এস দল্লিয়ু সী) খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা বি পি ৱাই সী বাশিখোং পাম্থোইবীনা মঙাল এফ সী বাশিখোংবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বি পি ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লাঙম্বনা শান্নবগী ২ অমদি ৫শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা ঐচ অঙম্বা অমদি মংশাতাবনা শান্নবগী ২২ অমদি ৪৭ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি। মঙাল এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লনচেনবনা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সঙ্গাই এফ এস অংথানা ৱাই দি সী ক্যামগৈ মুস্লিমবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অংথা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু থোইবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা ৱাই দি সীগী শান্নরোয় ৩ অমদি ক্যামগৈ মুস্লিমগী শান্নরোয় ২ য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# আর আর সী সীনা কে আই ৱাই সী থোইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওবু রন ২৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা কে আই ৱাই সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরনা ওভর ২৮.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৫ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীবু চুড়াচান্দপুরগী বোলরনা ওভর ২৯.৫দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১৩৮ লৌদুনা চুড়াচান্দপুর টিমগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মেটচ অসিদা আর আর সী সীগী ওল রাউন্দর হাওজালেন কিপজেননা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৪২দা চপ মান্নবা রন ৪২ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাবা ঙমখি।

# জে এন এন স্পোর্টস মীট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

জিরি ন্যুজ নেটৱর্ক কম্মিটিনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকপা অনীশুবা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ক স্পোর্টস মীট ঙসি জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা কষ্টুর্বা গর্লস হায় স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সিনিয়র লেকচর কে ঐচ ইন্দিকুমার, জে এন এনগী ভাইস প্রসিদেন্ট পি সিঙ্গোমণি অমদি ইগনৌ জিরিবামগী কোওর্দিনেটর টি ঐচ গগরিননা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# তেকচমনা এস দল্লিয়ু সী থোইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইরেংবন্দ হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা তেকচম এফ সীনা এস দল্লিয়ু সী কৈরকপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি ঐচ সুমন্তনা শান্নবা হৌরকপগী ১৩শুবা মিনটতা তেকচমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাংজিং য়ুনাইটেদ এফ সীনা এফ সী তেন্থাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। এল বোরিশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা ৱাংজিং টিমগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি

# মোদেল ক্লবনা রন ১৭৬তা থোইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ২শুবা এম এন সী এ ৱিমেন ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মোদেল ক্লব শীংজমৈ চীংঙামখানা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওবু রন ১৭৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মোদেল ক্লবনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৭১ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ফোর্সনা ওভর ২৭তা ওল আউট ওইদুনা শুপ্পগী রন ৯৫ লৌদুনা মোদেল ক্লবকী মখূৎতা রন ১৭৬তা মায়থীখি।

মোদেল ক্লবকী থোকচোম লোইদাংতোননা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা আউট ওইদনা বোল ৭১দা রন ৯৫ লৌদুনা ৱিমেন ওফ দি মেটচ তাখি।

# ষ্টেট লেভেল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশতা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩০দগী ফেব্রুৱারী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপীমচাগী হোক্কী টিম শেম্নবা ষ্টেট লেভেল সেলেক্সন অমা জন্যুৱারী ৪দগী ৫ ফাওবা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। শরুক য়ানিংবশিংনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা দি ৱাই এ এস ও ওফিসতগী ফোর্ম লৌদুনা জন্যুৱারী ৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৩০(ঐচএনএস):

কে এল সাইনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৱিমেন্স অন্দর ১৫ ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা মেঘলায়াবু রন ৩১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুরনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ১৯.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ৭৯ লৌবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা মেঘলায়ানা ওভর ২১.১দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা শুপ্পগী রন ৪৮ লৌদুনা মণিপুরনা মেঘলায়াবু রন ৩১দা মায়থীবা পীখি।

মণিপুরগী বোলর এলিনানা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৫ অদুগা নিরুকা অমদি প্রিয়াঙ্কিনা ওভর ৪ অমদি ১.১ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌখি।


SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary


Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

HL-B/7933/4/12-3/02


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 674**

**D. Saduakassova (2519) - Ant Smirnov (2604)**
**82nd Tata Steel GpB Wijk aan Zee NED (10), 2020.01.22**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 d5 | 4.g3 dxc4 |
| 5.Bg2 a6 | 6.O-O Nc6 | 7.Be3 Nd5 | 8.Bg5 f6 |
| 9.Bd2 Be7 | 10.e4 Nb6 | 11.Bc3 O-O | 12.Nbd2 Bb4 |
| 13.Qc2 Bxc3 | 14.Qxc3 e5 | 15.d5 Na7 | 16.a4 Bd7 |
| 17.Qc2 Qe8 | 18.a5 Nbc8 | 19.Nxc4 Nb5 | 20.Rfc1 Qh5 |
| 21.Qd1 Bg4 | 22.Ne3 Ncd6 | 23.Nxg4 Qxg4 | 24.Ne1 Qg6 |
| 25.Ra4 Rae8 | 26.Nf3 Qh6 | 27.Qd2 Qh5 | 28.Re1 Re7 |
| 29.Raa1 f5 | 30.exf5 Rxf5 | 31.Nh4 Rff7 | 32.Qd1 Qh6 |
| 33.Nf3 Qf6 | 34.Qd2... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 673 Ans. :**

53. cxb5 d5 54. Kd6 d4 55. Kc7 dxc3 56. b6+ The white pawn attacks Black's king, which is defending the square a8. Ka6 57. b7 Mating net c2 58. b8=Q
58. b8=R c1=Q 59. Ra8#
58. ...c1=Q 59. Qb6#
59. Qa8#
59. Qb7#
1-0


Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) CLASS -IX & X (BOSEM)
15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm

Our Position Holders of HSLC Exam 2022

1st POSITION 3rd POSITION 8th POSITION 18th POSITION



Laishram Rahul Meneka Huidrom Moirangthem Rex Singh Chingakham Italy Meitei

Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)

6009534807
9233284826

HL-P/5089/2/12-30/01



AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE

PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE

- 100% PLACEMENT ASSISTANCE
- GUARANTEE YOUR SUCCESS WITH OUR UNLIMITED SUPPORT
- CUSTOMISED TRAINING
- MOCK INTERVIEW
- PERSONALITY DEVELOPMENT
- SOFT SKILL DEVELOPMENT
- GROOMING ENHANCEMENT
- SWIMMING CLASS

HURRY UP!!! BATCH STARTS ON 5TH JANUARY 2023

OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
- JET AIRWAYS
- GULF AIR
- OMAN AIR

TRAINING CENTRE: OMNICRON III, GREATER NOIDA, 201310.
HEAD OFFICE: KWAKEITHEL, THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL. MOB: 7005045375/7005180623
BRANCH OFFICE:
1. BISHNUPUR BAZAAR, NEAR MANIPUR STATE CO-OPERATIVE BANK. MOB: 8920286159
2. SENAPATI BAZAAR, OPPOSITE SENAPATI BUS PARKING. MOB: 9774628571
3. MOIRANG OKSHONGBUNG LEIKAI, NEAR CITIZENS' CLUB MOIRANG. MOB: 7005171889
4. KUMBI, SINGEL LEIKAI, WARD NO. - 4. MOB: 76280 16401
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com

FOR INQUIRY CALL
7005045375 / 7005180623 / (0120)4558561



HL-P/1068/24/12-5/1
Reg: UDYAM-MN-01-0001766



LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG, NAMBOL, THOUBAL, KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2, Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2, 2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre fitting helper-2

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- SAMUROU NEAR MACHU HALL, THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KAKCHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.

HL-B/7893/13/12-12/-1


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com